**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-07-2025)**

**মনকিবাটঃ** ২১ শুবা চহি চাগী ভারতনা রিন্যুয়েল ইনর্জিগা লোয়ননা বিগ্যানগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মন-কি-বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা-ভারতকী ইয়ার ফোর্স গ্রুপকী কেপটেন-সুভানসু সুক্লানা স্পেসতগী হল্লকখিবগী মতাংদা পল্লদুনা হায়-ভারতকী এস্ট্রোনোট অসিনা অশোয় অভোম য়াওদনা পৃথিবীদা অমুক হল্লকখিবা অসিদা লৈবাক অসিনা চাউথোকচৈ। মহাকা হায়-অঙাংশিংনা বিগ্যান অমসুং স্পেসগী লমদা খঙনিংবগী ৱাখল হেনগৎলক্লি অমদি স্পেস সাইন্টিষ্ট অমা ওইনিংবগী অপাম্বসু হেনগৎলক্লি।

থা অসি হৌগৎলকপদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল কেমেষ্ট্রি ওলিম্পিয়াটতা ভারতকী মহৈরোইশিংনা সনাগী তকমান অহুম, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংল্লকখিবা অদুবুসু শ্রী মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-আগষ্ট থা অসি নীংতম লান্মী খুদিরাম বোসকী থৌনাবু নৌহৌনা নীংশিংহল্লিবা অওনবা কয়া পুরকবগী থা অমনি। মহাকা হায়-মশাগী চহি ১৮ শুবদা, ১৯০৮ গী আগষ্ট ১১ দা বিহারগী মুজাফরপুরদা খুদিরাম বোসনা মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখি।

১৯০৫ গী আগষ্ট তরেৎতগী হৌখিবা স্বাদেসি ইহৌগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ইহৌ অসিনা লৈবাক অসিনা পুথোকচবা মরুওইনা খাদিগী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী অনৌবা ইনোৎ অমা হাপখি। মসিবু নীংশিংবা ওইনা লৈবাক অসিনা চহি খুদিংগী আগষ্ট তরেৎতা জাতিগী হেন্দলুম নুমিৎ হায়না

পালন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা খুনুং ঈশৈশিং অমদি হৌন-লোনচৎনচিংবা কয়াগী মতাংদসু পনখি। মহাকা হায়-হরাউ কুম্মৈশিং অমদি মহৌশাদগী চৎনরকপা কয়া অসি লৈবাক অসিগী সংস্কৃত্তিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। স্বাস ভারত মীসননা চহি ১১ মপুং ফারকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা কুমশি চহিগী স্বাস সর্ভেদা লৈবাক অসিগী সহর লিশিং ৪,৫০০ হেনবনা মসিদা শরুক য়াবা থেংনখি হায়রি।

**ডে (এল) ঃ** সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি.আর.পি.এফ) কী ৮৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সি.আর.পি.এফকী থৌনা ফরবা জৱানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী ভালানা সি.আর.পি.এফনা মনিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি শান্তি ঙাকবগীদমক মখোয়গী কৎথোকপা অমসুং থৌনা লিংজেল অদুবুসু ইকায় খুমবা উৎখি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**কলাম ঃ** লৈবাক অসি হান্নগী রাস্ত্রপতি অমদি শকাইরবা বৈগ্যানিক-ডা: এ.পি.জে. অবদুল কলামগী লৈখিদবা কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুম বা উৎলি।

ডা: কলামনা লৈবাক অসিগী স্পেস অমসুং মীসাইল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। মহাক অসি ভারতকী মীসাইল মেন হায়নসু খঙনৈ।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ডা: কলামগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎলদুনা হায়-

ডা: কলাম অসি মীৎয়েং শানবা, থোইদোক হেন্দোকপা বৈগ্যানিক, মেন্টর অমসুং মরৈবাক নীংবা মীশক অমা ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

মনিপুরগী রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানসু হান্নগী রাস্ত্রপতি অমসুং বৈগ্যানিক-অবদুল কলামগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎলদুনা হায়- ডা: কলামনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌশিংবু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংফম থোকই।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু অবদুল কলামগী মখায়দা ইকায় খুমদুনা উৎলদুনা হায়-অবদুল কলাম অসি লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বৈগ্যানিক অমখক ওইবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি।

**মনা (এল)ঃ** রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিননা হায়রি-অঙাংশিংনা মহৈ মশিং তম্বা হেক হৌরকপদা মমা লোলদা ওইনা তাকপী তম্বীবা তঙাইফদে।

ইম্ফাল মনিপুর প্রেস ক্লবতা ওক্রম শাগৈ অপোকপা ত্রষ্টৈনা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা চহি অসিগী কাউন্সিল অমসুং সি.বি.এসনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপা অমদি মনা-মথুম পীবগী থৌরম অমদা শ্রী প্রবিননা হায়-মমা লোলদা তাকপী তম্বীবা অসিনা অঙাংশিংদা হেন্না লায়না খঙহনবদা চাউনা মতেং ওই। থৌরম অদুদা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলদা পোৎফম ফম্বী খরদসু শেলগী তেংবাং পীখি।

**কুইজ (এল)ঃ** অহুমশুবা ক্ষেত্রিগ্রাউ ওপন কুইজ কম্পিটিসন ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা লৈবা প্রিন্সটন ইন্টরনেসনেল স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

সৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা কুইজ

কম্পিটিসন অসিদা মহৈরোই ১৭০ হেনবনা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মথং থাগী অহুমদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎকনি।

**ৱিক (এল)ঃ** পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন মনিপুরনা শিনদুনা ওরেল রিহাইদ্রেসন সোলুসন (ও.আর.এস) চয়োল পালন থৌরম ঙসি ককচিংগী জিবন হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

তুংদা, মশা-মউ ফবা মীশক অমা ওইনবগীদমক ও.আর.এস. হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ও.আর.এস. শিজিন্নবগী কান্নবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**কেম্প (এল)ঃ** কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা) অমসুং ডা: হেলেনা আই হোস্পিতাল এন্দ ইন্সটিট্যুট ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা লেমা মিৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরা হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি। হিদাক লাংথকসু লেমা পীখি।

**কেম্প (এল)ঃ** সেভা ভারতি মনিপুর, মনিপুর সেভা সমিটি, নেসনেল মেদিকোজ ওর্গনাইজেসন মনিপুর, শকশম অমসুং ভারত বিকাশ পরিষদনা বির টিকেন্দ্রজিৎ শ্রধাঞ্জলি স্বাথিয়া সেভা যাত্রাগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ভাস্কর প্রভা, কোঞ্জেং লৈকাইদা মেগা হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা লমগী স্পিসিএলিষ্ট য়াওনা পুন্না ডাক্তর ৪০ হেনবা অমসুং মেদিকেল সপোর্ট ষ্টাফ ৬০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়নাশিং লায়েংখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী নুঙবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টরগী জি-প্লজ টু টাইব ষ্টাফ ক্বাটর অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা হেলথ সেন্টর অসিগী এম.ও. ইন-চার্জ ডা: অদিম গাংমৈনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা এ ডে ৱিট কোর কম্মান্দরগী থৌরম অমা তমেংলোং জিলাগী অজ়রামদা খুঙ্গংদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জা অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা মার্সেল আর্টস দিসপ্লে, দ্রোন ফ্লায়িং দেমোন্সত্রেসন য়াওনা অতৈ থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

**এমপিসিসি (এল) ঃ** কংগ্রেসতা নৌনা য়াওরকপা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মীওই কয়াবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি লাংমৈদোংদা লৈবা ঐচ. কৈন্যাহল মেমোরিএল স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা দলদা য়াওরম্বা মীওই ১০০ রোমা আই.এম.সিদা নৌনা য়াওরকখি।

নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) মোইরাং কেন্দ্রগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা মীফম অমসু ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থোঙাম শান্তিসু শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল) ঃ** খা মনিপুর কলেজ-ককচিং লিংখৎখিবা চহি ৫৯ শুবগী কুমওন থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা হোলদা পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমদি সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী অফবা মহৈরোইশিংদা সার্টিফিকেট পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী শেল থুমগী

ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং লোজিষ্টিক্কী লমদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা অওনবা অমা পুরকপা উরি। বদোদরাদা ঙসি পাঙথোকখিবা গতি শক্তি বিশ্ব বিদ্যালয়গী অহুমশুবা কনভোকেসন থৌরমদা ভরচুয়েল ওইনা ৰা ঙাংবদা মন্ত্রিনা ৰাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৰা ঙাংবদা কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা ভারতকী রেলৱেজতা অওনবা কয়া লাক্লিবা অদুবু শিংথাখি। মহাকা হায়-হৌজিক্তি রেলগী নেটৱার্ক অসি কিলোমিটর লিশিং ৫,৩০০ য়ৌবা ঙমলে অমসুং কিলোমিটর ৩৬৮ দা তনেলশিংসু শেমগৎপা ঙমলে।

লৈবাক অসিগী নহাশিং অসিবু চাউখৎপগী ইঞ্জিননি হায়রদুনা মহাকা ২০৪৭ ফাওবদা চাউখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবগী পান্দম অদুদা নহাশিংনসু শৌগৎনবা আপিল তৌখি।

**উত্তরাখন্দঃ** উত্তরাখন্দগী হরিদ্বারদা লৈবা মনশা দেবীগী মন্দিরদা চৎপগী লম্বীদা ঙসি মীয়াম নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিরে, অতৈ ২০ না অশোক অপন নংলে।

সেনিয়ার এস.পি. প্রামেন্দ্র সিংহ দোভালনা হায়-মফমদুদা ইলেক্ট্রিক্ট ৱয়ার তৎলকপদগী খুদোংথিংনিংঙাই ওইরে হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরকপদগী মীয়াম মীপায়দুনা চেন্নবদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-পাউ অদু হেক ফংবগা উত্তরাখন্দ পুলিস, এস.দি.আর.এফ অমদি অতৈ মী কনবা কাংবুশিং মফম অদুদা চংশিনদুনা মী কনবগী থবক চথুখি। অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কার সিংহ ধানিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মেজিষ্ট্রেয়েল ইনক্বারি তৌনবা হুকুম তৌখ্রে।

মরক অসিদা, রাজ্য সরকারনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনি-অনি অদুগা অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ গী ক্ষেতিপুরোন

পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনসু থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**মোদিঃ** চোলা সম্রাজ্যাগী নিংথৌরেল রাজেন্দ্র চোলা অহানবগী মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তামিল নাদুগী আরিয়ায়ুর জিলাদা পাঙথোকপা আদি তিরুবাতিরাই ফেষ্টিবেল লোয়শিনবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজেন্দ্র চোলাগী নীংশিং শেনয়েক অমসু পুথোকখি। নুমিৎ নিনিগী তামিল নাদু খোঙচৎকী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা শ্রী মোদিনা গঙাইকোন্দা চোলাপুরম মন্দিরদসু লাই খুরুমখি।

**ফুটবোল ঃ** এফ.সি. রেংদাইনা অনিশুবা প্রিমিয়র লিগকী ২০২৫-২৬ কী চেম্পিয়ন ওইরে।

ঙসি লমলোং থোংখোংগী আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ.সি. রেংদাইনা আসুফি ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখিবনি। অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এফ.সি. রেংদাইগী গিফসন কামৈনা অহানবা হাফকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না সৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী শেন্থং মখাদা চহি অসিগী এপ্রিল থাদগী টিম ১৮ না গ্রুপ অনি খায়দোক্তুনা লিগ অসি শান্নরকপনি।

**ইমো ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. লুৱাংপোকপা টি-টৌইন্তি ট্রোফি ২০২৪-২৫ অমসুং মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর সিক্সতিন বোইজ-নাউরেম রাজ নিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফিক ২০২৪-২৫ দা মায় পাক্লবা টিদিম রোড এঠলেটিক

য়ুনিয়ন (ত্রাউ) গী শান্নরোইশিং, শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. আর.কে. ইমোনা তরামা ওকখ্রে।

থা অসিগী ৩০ দগী ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক্তা শান্নগদবা দুরান কপতা মায় পাক্লকবা এম.এল.এনা শান্নরোইশিংদা পুকিং থৌগৎখি।

**সুত্তিং ঃ** থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৩ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সুত্তিং কম্পিতিসন ২০২৫ হান্না খুমন লম্পাক সুত্তিং রেঞ্জদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু তাওথোংগী মণিপুর রাইফলস রেঞ্জদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**জর্মন ঃ** জর্মনিগী রাইন অমসুং রুলদা পাঙথোক্লিবা এফ.আই.এস.য়ু. ৱার্ল্ড য়ুনিভরসিতি গেমসতা ভারতনা হৌজিক ফাওবা সনাগী তকমান অনি, লুপাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ৫ পুন্না তকমান ১৬ ফংদুনা ২০ শুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি নুপীগী কিলোমিটর ২০ রেস ৱাক টিম ইভেন্টতা সেজল, মুনিতা, মানসি অমসুং সালিনিনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌখি।

অচ্যারিগী ৱিমেন্স ইন্দিভিজয়েল কম্পাউন্দদা পরনিট কোরনা লুপাগী তকমান অমা লৌখি। ইভেন্ট অসিগী নুপাগী কাংলুপ্তুনা-সাহিল রাজেস যাদবনা শেঞ্জেনগী তকমান অমা লৌখি।